# ইদ-উল-জুহা কুম্মৈগীদমক লূপ কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী ইদ-উল-জুহা কুম্মৈগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

ইস্লা ঈ-ইখল্ক মাসৰারা ফাউন্দেসন (হঙ্গামথাবী), থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম দি সমির খাননা থোরকপা চেরোল অমদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীতৈ পাঙল ইচিল ইনাওশিংগী মতিক মঙাল লৈরবা খ্বাইদগী চাউবা অমদি মরু ওইবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মরু ওইনা মীতৈ পাঙল ইচিল ইনাও অমদি মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা অমুক হন্না নুংশিনবগী মরী চেৎশিনবা ওইরসনু। লোয়নদা হৌজিক ইরমদমসিগী মীচম মীয়ামগী পূন্সিদা অচৌবা শাফু অমা লৈরিবা অসিসু ঐখোয় মীওইবা মশেলনি হায়বা ৰাখল খন্থনরগা অথুবদা হান্নগী ফীভমদা হল্লক্তুনা চীং লেম্বা মণিপুর অমা ওইহন্নবা পূন্না থবক পায়খৎলগা ঐখোয়গী অশেংবা য়েক্ল বা কনানো হায়বদু খঙলগা ঈং-তপ্পা পামজবা ওইরিবা ইরমদম অমনি হায়বসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা উৎলসি। লোয়নদা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা তাইবঙবু শেম্বীরিবা মপু অল্লাহগী অহাকাম অদু মপূং ফানা তৌমিন্নরসি। মসি নত্তনা কুম্মৈ অসিগী তাইওন্নবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপীগনু হায়রি।

কুম্মৈ অসিনা লাকপদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ), মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেননা থোরকপা চেরোল অমদসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্টকী হাট্টা গোলাপতিদা লৈবা ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম পি এ সী ও) গী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ সালিৰাননা থোরকপা চেরোল অমদনা মুসলমানশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদুল অজ না লাকপদা ওর্গনাইজেসন অসিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লদুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা কুম্মৈ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পাঙল খুন্নাইগী ওইবা চৎনবী হায়বদি সরিয়দকী ৰাংমদা থবক তৌবীদনবা আপীল তৌরক্লি।

ইস্লাম লাইনীং চৎপা মুসলমানশিংগী কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইবগী ৰাখল্লোন শাগৎপা ঙমহল্লসনু। চহী অমা হেল্লবা মণিপুরদা ওইরিবা তংদু লৈতাদ্রবা ঈরাং অসি লোইশিনখিদুনা ঈং-তপ্পা লমদম অমা পুরক্লসনু।

ফূরুপ লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা ঐখোয় খুদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নসি হায়বগী পান্দমদা ওর্গনাইজেসন অসিগী হেদ ওফিসতা শোত্থনা লৈরবা ইমুংশিংদসু কুম্মৈ অসিগী মাঙওইননা হৰাই, চিনি, থাও অমদি ঙমজবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমসু ওর্গনাইজেনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হয়াতুর রহমননা লুচিংদুনা পাঙথোকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, কাঙলূপকী ঈরাং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না থুনা লোইশিন্দুনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংগী অৰাবা কোকহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

মরোল থোক্ত্রবা, মমিৎ উদ্রবা মীওই অমগুম লৈরিবা সিক্যুরিটি এদভাইজর লৌথোকখ্রগা লমদমসিগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা শীংনরক্লিবা খুদিংমক লান্থেংননবগী থৌনা অদু মণিপুরগী মীয়ামদা চীফ মিনিষ্টরনা শিন্নবীয়ু অমদি কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী তমথীরবা কাউঙল্লরোইদবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৰাবদসু শরুক য়াজরি।

হন্দক চহীগী ওইনসু ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা জুন ১৮গী থৌরমদা ময়াম পূন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

অমরোমদা, থৌরম অসিগী মাঙওইননা কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা হেদ ওফিস ওইরিবা ওল মণিপুর এথনিকেল সোসিও-কলচরেল ওর্গনাইজেসন (অমেস্কো), ৰাংখে কৈথেল অশাংবীদা হেদ ওফিস ওইরিবা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স), মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্র অমসুং ওল মণিপুর মুসলিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (লিলোং উশোইপোকপী) গী মায়কৈদগীসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

হাট্টা মিনুথোংদা হেদ ক্বার্টর ওইরিবা মণিপুর মীতৈ পাঙল ৰেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী প্রসিদেন্ট বোবোই কোরিময়ুমনা থোরকপা চেরোল অমদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীতৈ পাঙল ইচিল ইনাওশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎ অমসু ওইরিবা অমদি খৌরাংনা ঙাইরকপা ইদুল অধানা লাকপদা মরু ওইনা মীতৈ পাঙল অমদি মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ ফূরুপ খুদিংমক্কী মরক্তা হেন্না নুংশিনবগী মরী চেৎশিনবা ওইরসনু। লোয়নদা লমদমসিদা মীচম মীয়ামগী পূন্সিদা অচৌবা শাফু অমা পীরিবা অসিসু ঐখোয় মী মশেলনি হায়বগী ৰাখল খন্থরগা অথুবা মতমদা হান্নগী ইমা মবুক তপ্পী ফজবী মণিপুর অমা ওইহন্নবা পূন্না থবক পায়খৎমিন্নরসি।

ঐখোয়গী অশেংবা য়েক্লবা কনানো খঙলগা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনরসি অমসুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু উৎলসি হায়রি।

তৌবতবু নুমিৎ অসিদা অল্লাহগী অখামশিং মপূং ফানা পাঙথোকমিন্নরসি অদুগা মসি নত্তবা ওন্ন-তৈনবা থবক অমত্তা তৌগুমসি হায়রি।

## চুড়াচান্দপুরদা নুপী অমা হাৎলম্লে

**ইম্ফাল, জুন ১৬ : (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদগী খা রোমদা কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা ইমানুএল খুলদা লৈবী অহল ওইরবী নুপী অমা মশক খঙহৌদ্রবা মীওই খরনা মী চিকপগী খুদোংচাবা লৌরগা হাৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং লাওন খোজাম এলিয়জ তাওমোন্বী কৌই, মশাগী চহী ৮০ রোম শুরে। থৌদোক অসি অহল ওইরবী নুপী অসিনা মহাক্কী য়ূমদা মথন্তা লৈরিঙৈগী তাঞ্জাদা মীওই খরা চঙলক্লগা নুপী অসিগী মকোক্তা অরূম্বা পোৎশক অমনা থোম্বগা লোয়নদা মখৌরিদসু য়োৎকী তরাগুম্বনা লাকহৎলম্বগী মফম লৈরমখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা চুড়াচান্দপুর পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.420807 |
| US Dollar | 83.584744 |
| British Pound | 106.071012 |
| Australian Dollar | 55.290046 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.519588 |
| Japanese Yen | 0.530899 |
| Malaysian Ringgit | 17.712884 |
| Singapore Dollar | 61.776071 |
| South Korean Won | 22.289265 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.289265 |
| Thai Baht | 2.279420 |

**HL Poll**

Q : Union leingakna khut thingjinbadagi Manipur leingakna maromdom karimata touba ngamjadre haibada langadra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Anouba Union leingakna Manipurgi Langi matangda karimatta hairaktribasi Manipur leingakna taksinba watpadagi oiroidra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**

- লম্বী, থোং, মৈ, ঈশিং চাওখৎপ-খক্তনা চাওখৎপা নত্তে।



- অদু ওইরদি চাওখৎপা হায়রিসি করিনো?

## জুন ১৮ : থৱায়না পোন্থা ...

*লমায় ১গী মখা...*ওইনা জুন ১৮দা মীয়াম্না মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা হৌখিবা ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা চহী খুদিংগী মীয়াম্না মখোয়গী অরোইবা য়াতাফম ওইরিবা কেক্রুপাৎতা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লাকখিবগী মখা চথুরকপা ওইনা হন্দক্কীসু থা অসিগী ১৮দা ২৩শুবা দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দে ২০২৪গী থৌরম পাঙথোক্লবগী শেম শাবা লোইশিল্লক্লে।

কেক্রুপাৎতা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা অথৌবা-অথৌবীশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নদা রিমস অমদি জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ কৎপগী প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক্তা ইরমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা মীয়াম্না ঈ কৎপীয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

ঈ কৎকদবশিংনা অয়ুক্কী পুং ৯দগী হৌরগা ঈ কৎপীয়ু অমসুং মখোয়গী মতেং পাংনবগীদক ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী থৌমীশিংসু রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কশিংদা লৈগনি হায়রি।

মমাঙগী দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিটি দেগী থৌরমশিংদা কেক্রুপাৎতা ব্লদ দোনেসন তৌফম ওইরবসু হন্দক চহীগীদি লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম অসিনা থৌরম পরেংদা খরা শেমদোক শেমজিন তৌখিবা অমদি অথৌবা-অথৌবীশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপদা হেন্না মীৎয়েং থমজবা ওইনা হন্দক্কীদি কেক্রুপাৎতা মীয়ামগী মীফমসু পাঙথোক্লরোইদবনা ব্লদ দোনেসনগী থবক অসিসু রিমস অমদি জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্কশিংদা ওইনা শিঞ্জবনি। ঈ কৎপীরবশিংদা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মায়কৈদগী এপ্রিসিএসন সর্টিফিকেট খুদোল তমজগনি হায়রি।

## লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবা হোম মিনিষ্ট্রিগী...

*লমায় ১গী মখা...* অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৫৫ অসিদা সী এ পি এফকী কম্পেনি ৫০গী পর্সনেলশিংনা ষ্টেট ফোর্সতা মতেং পাংননবগী পান্দমদা অফবা থবক অসি লৌখৎলকপা ওইরগসু লান অসি হৌরকপদগী চীং অমসুং তমগী তাইনবা মফমশিংদা বফর জোন/রেদ জোন হায়বনচিংবা মফমশিং চোঙথোরকখিবগা লোয়নদা চীংদগী তমদা নৎত্রগা তমদগী চীংদা মহৌশাগুম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াদদুনা লাকপনিনা য়াল্লবা সী এ পি এফকী কম্পেনি ৫০গী পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌগনি হায়রিবা মিনিষ্ট্রিনা পীরকপা দিরেক্সন অসিদা য়াওরিবা মফমশিং অসি অয়াম্বনা চীংমীশিংনা তাবা মফমশিংদা ওইবনিনা মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা ষ্টেট অসিদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তান্দুনা হৌজিক ফাওবদা কা হেনবা থৌওংশিং চথরক্লিবা কাঙলূপ্তা হেন্না খোঙহাই চাবা ফীভম অমা ওইখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা ফোঙদোক্লরকপনি।

অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্ট্রিনা পীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না সী এ পি এফকী কম্পেনি ৫০গী পর্সনেলশিং থম্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ১৩গী মফম ৫৫দা শাগৎপা হৌরক্লিবা প্রি ফেব্রিকেটেদ ষ্ট্রকচরশিং অসি মপূং ফানা শাবা লোইরবা মতুংদা করম-করম্বা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিং দিপ্লোই তৌরক্কদগে অমসুং মখোয়না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর নীংথিজনা ঙাক্তুনা তমথীরবা লান অসি মীচং-মীখাই নাইদনা লোইশিলহন্দুনা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভমদা হঞ্জিলহল্লক্লবা করি-করম্বা থৌদাংশিং লৌরক্কদগে হায়বদুদি য়েংখিবা তারি।

## নুপাগী হকচাং ১ ...

*লমায় ১গী মখা...* মতুংইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীওই অসি ফুট ৫গা ইঞ্চি ২ ৰাংই, কুলৈ কুচুনি, মশা পায়, মশম মুরগা তেল্লি, মমায় শাংতক তৌই, ওই থংবা খূৎতা স্পাইদর অমসুং রোজগী টেটু য়েকপগা লোয়নদা ‘কাইকু’ হায়না থাই। ঙক কোয়বা হঙ্গামপাল মচুগী হাফ শর্ট অমা, অমুবা লোঙ পেন্ট অমা অমসুং অমুবা রবরগী চপল অমা শেৎ চারম্মী হায়না ইম্ফাল পি এসকী চেরোল অমনা হায়রি।

## ওপোজিসনদা দেপ্যুটি স্পিকরগী পোষ্ট পীরক্লোইদবা...

*লমায় ১গী মখা...* য়াবগী মশীং শুদবদগী এন দি এগী মখাদা মপাং পার্টিশিং ওইরিবা টেলেগু দেসাম পার্টি (টি দি পি), জে দি-য়ু অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা শৌগৎনরক্লগা নরেন্দ্র মোদিবু অমুক হন্না এন দি এগী লুচিংবা খনবদগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৰাশক লৌখিবনি। বি জে পি অমসুং এন দি এগী মপাংশিংনা উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং হরয়ানাদা হান্না থাজরমদবা মওংদা য়াম্না চাউনা মায়থীখিবনি।

অমরোমদা, সিব সেনা (উধব থাক্রে) গী লুচিংবা সঞ্জয় ৰৱটনা ঙসি মুম্বাইদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিদা করিগুম্বা এন দি এগী মরু ওইবা মপাং ওইরিবা অন্ধ্র প্রদেশকী চন্দ্রবাবু নাইদুগী টি দি পিনা লোক সভাগী স্পিকরগী ফম তান্নরক্লবদি ওপোজিসন এলাইএন্সকী মায়কৈদগী শৌগৎকনি হায়খি।

পাউমীশিংদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা শেন্নক্লিবা লৈঙাক অসিগা মসিগী মমাঙদা মহাক্না কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৯দা থেঙ্খাং অনীরক্তা শেমখিবা লৈঙাক অদুগী ফীভমগা মান্নদে। হন্দক্কী লৈঙাক অসিদদি স্পিকরগী ফম অসিনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাংশিং লৌরক্কদৌরিবনি হায়খি।

বি জে পিনসু স্পিকরগী ফম অসি এন দি এগী মপাং পার্টিশিংদা পীরক্তবদি মখোয়না নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) বু থুগাইনবা হোৎনবনি হায়না লৌগনি হায়খি।

হৌজিক লৈরক্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসি মরা চেৎত্রিবনা চন্দ্রবাবু নাইদুগী মায়কৈদগী লোক সভাগী স্পিকরগী ফম পীনবা দিমান্দ তৌরে হায়বসি ঐখোয়সু তারে। অদুবু এন দি এগী মপাং পার্টি অমগী কেন্দিদেটনা স্পিকরগী ফম অসি ফংবা ঙমদ্রবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা টি দি পি, জে দি-য়ু অমসুং লোক জন শক্তি পার্টি (রাম বিলাস) কগী মরক্তা মপাং ওইবগী মরী থুগাইরকপনি হায়না লৌগনি হায়খি।

## জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা...

*লমায় ১গী মখা...* লোক সভা ইলেক্সন ২০২৪দা জে দি-য়ুগী এম পি ১২ মায় পাক্লকখিববু ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখি।

মীফম অসিনা পার্টি অসিগী এম পিশিংগী ওইরিবা রজিব রঞ্জন এলিয়জ ললন সিংহবু য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর (ফিশরিজ, এনিমেল হজবেন্দ্রি এন্দ দেরি) অমসুং রামনাথ থাকুরবুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মর ৰেলফেয়র) গী মিনিষ্টরশিং ওইনা হাপ্লকপদসু হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকখি হায়রি।

পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ও নবকিশোরনা থোরকপা চেরোল অমদা হন্দক তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা জে দি-য়ুগী মায়কৈদগী এম পি ১২ মায় পাক্লকখিবা অসিনা পার্টি অসিগী মণিপুর য়ুনিটকী ৱার্করশিংগী পূক্নিং ৰাখল ৰাংখৎহল্লে হায়খি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৬তগী হৌরদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা কুকি টেররিষ্টশিংনা মীহাৎ-মীপূন য়াওনা চথুরকখিবা তমথীরবা লানগী মৈশা নংলবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপদগী পার্টি অসিগী লুচিংবশিং ওইরিবা ও নবকিশোর, ডা. কে ঐচ লোকেন অমসুং ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চৎতুনা রিলিফ কেম্প মঙাদা চেঙ বেগ ৩৩ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখিবনি।

## ঙসিদগী রাজ মেদিসিটিদা মহেশাগুম লায়েংবা...

*লমায় ১গী মখা...* ৰাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা লায়েংশঙ অসিদা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরকপদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা থেংনখি। রাজ মেদিসিটিদসু ঈশিং থুমজিল্লকপনা মরম ওইরদুনা লায়েংদুনা লৈরম্বা মীওই ৬২ অমদি দাইলাইসিস চথুরিবা পেসেন্ট ২৩ খুদক্তা অতোপ্পা খুদোংচাবা লায়েংশঙশিংদা হোংদোক্তুনা মখা তানা লায়েং চথহনখি। ওপরেসন হেক লোইবগা পোষ্ট ওপরেটিভ ক্যেরদা লৈবা পেসেন্ট ফাওবা শাফগদবা মফমদা পুথোকপা য়াওনা ঈশিং থুমজিল্লকপদা পেসেন্ট কয়া অৰাবা মায়োক্লখিবা অদুদা হোস্পিটালগী মায়কৈদগীসু শরুক য়াজরি হায়খি।

লায়েং চথুরিবা পেসেন্টশিং অদু হোংদোক্লবা হোৎনবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এস পি, এন দি আর এফকী টিম অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোলনচিংবশিংনা এম্বুলেন্স য়াওনা মতেং পাংলকপদগী মায় পাক্লা অমসুং মতম চানা হোংদোকপা ঙমখিবনি। ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অসি নুমিৎ ১৬নি রোম অনা-লায়েংগী থবক লেপখি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, ঈচাওনা মরম ওইরগা শোকচিল্লম্বা হোস্পিটালগী শরুকশিং শেমজিন শাজিনবা লোইরে। পেসেন্টশিংনা অনা লায়েং চথবদা খুদোংচাদবা থেংনহন্দনবা হয়েংদগী হোস্পিটাল অসি হাংদোক্লগা মহৌশাগুম্না অনা লায়েং চথগরনি।

অমরোমদা, ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অসিগী সী টি স্কেন, এক্সরেগী য়াওনা খূৎশু খূৎলায়শিংসু অমাঙ অতা থোকহনখি। হীরম অসিগী মতাংদসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী অমদি সেন্টরগী টিম লাক্তুনা য়েংশিল্লম্লে হায়খি।

## দেসামনা মফম ২দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর...

*লমায় ১গী মখা...*অমদি স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর ফম থাদোকউ, ত্রেন তৌদবা ওজা খনগে হায়রবদি ক্লাস ত্বেলভ লোইরগা ডাক্তর/ইঞ্জিনিয়র ওইনবা কোর্সশিং তমদনা ডাক্তর অমসুং ইঞ্জিনিয়রশিং ওইবা য়ারগনি হায়বগী ৱারেপ লৈঙাক্লা লৌবীয়ু হায়খি।

ৰাফম অসিগী মথক্তা পুলিসনা ফাজিনখিবা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমীশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোক্কদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা অরানবা মওংদা ওজা খন্নবা হোৎনবশিংদনা মনা পীবা অদুগা অরানবা তৌবীগনু হায়রুবশিংবুনা চৈরাক পীবা লৈঙাক্কী থৌওং থাগৎলি হায়বা খোল্লাওসু লাউখি।

খোঙজংশিং অসি অহানবদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা ওরিয়েন্টেল কোলেজগী গেট মমাঙদা মহৈরোয় লূপ অসিগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী থৌমীশিংনা মীতমশিং অদুবু মৈ থারদুনা চঙশিনখিবনি। খোঙজং অসিগা মরী লৈননা দেসাম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন নোবিনচন্দ্রনা হায়, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা য়াম্না না-পু তাদবা মওংদা, তানিং-তামাং শম্নদবা মওংদা ত্রেন তৌদবা মীওইশিংবু ওজা ওইনা লৌগনি হায়বসি য়াম্না মথোং চাদবা থৌওংনি। করিগুম্বা কন্দিসন অসিদা য়ারবদি ক্লাস ত্বেলভ পাস তৌরগা ডাক্তর/ইঞ্জিনিয়রগী কোর্স তমদ্রবসু অদুমক ডাক্তর/ইঞ্জিনিয়র ওইহনবদসু য়াফম থোক্লে হায়খি।

লোয়নদা মতিক চাদবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, কম্মিস্নর অমদি দিরেক্টর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকফম থোকই। ফাজিনখিবা থৌমীশিং অথুবদা থাদোরক্কদবনি হায়খি।

অনীশুবা খোঙজংনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা দেসাম ইম্ফাল ইষ্টকী মহৈরোয়শিংনা পাঙ্গৈ কৈথেলদা চঙশিনখিবনি।

খোঙজং অসিদসু কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল শঞ্জাবম পামহৈবনা হায়, মথৌ মশক খঙদবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর, কম্মিস্নর অমদি দিরেক্টর ফম থাদোকপীয়ু। ত্রেনিং তৌদনা ওজা ওইবা য়াফম থোক্তে। অরানবা তৌববুনা মনা পীবা অদুগা অচুম্বা তৌসি হায়রুবা মহৈরোয়শিংবুনা ফাজিন পূনশিনবা হায়বসি তৌফম থোক্তবা থবক্লি। অথুবা মতমদা ফাজিনখিবা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমীশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়খি।

## ‘কুকিশিংনা করিসু তৌরোই কিগনু হায়রম্লগা য়ূম মৈ...

*লমায় ১গী মখা...*ঐখোয় ইশা ইশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না চৎনবা য়াবা মফমদা চৎনখিবগা লোয়নদা ঐখোয়সু নিংথৌখোংগী রিলিফ কেম্প অসিদা লাকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, য়ূমদা লৈবা ফংলক্তবা চহী অমা হেঞ্জিল্লক্লে। অদুগীসু মথক্তা য়ূম অদু হৌজিক ফাওবা মৈ থাদোকপীদ্রিবা ওইরগদি ইশাগী য়ূম লৈজরি হায়বগী ৰাখলদা হিংজ গদবা অদুসু মৈ থাদোকপদা নত্তনা ইঙ্খোল ফাওবা তেমখাইদুনা লম্পাক ওন্থোকখ্রে। মরম অসিনা তাংদাংবা অমা খঙদনা লৈরকপনা ৰাখল নুংঙাইতে। তুংগী পূন্সিদা লৈঙাক্লা করি করম্বা ঐখোয়গীদমক শাফগদবা খোঙথাং লৌবীরক্কদবনো হায়বদুসু য়াম্না খৌরাংনা ঙাইরি। মসিদা নত্তনা হৌজিক খ্বাইদগী ৱারিবনা নীংবা থুংদবা ময়াম অমা লৈরিবা অসিনি। অঙাংশিংগী মহৈ মশীন তম্বগী ওইরবসু য়ূমদা লৈরিঙৈ মতমদদি নীংবা থুংদে হায়দুনা খল্লম্বা অদুদগী হৌজিক্লা হেন্না নীংবা থুংদবা হায়বদু ওইরে। য়ূমদদি ইমা ইপানা শেল থোকপনিনা নীংঙাই তৌনীংবা মতমদা তৌবা ঙম্মী। হৌজিক্তি মখোয়সু শেল থোক্ত্রবনিনা মখোয়গী ৰাখলদা ৰাগদবা অমত্তা হায়নীংদ্রে। পেন্দবা অৰাৎপা ময়াম অসি লোৎশিন্দুনা মখোয়না নুংঙাইখিরোই খন্দুনা হিংবদা য়াম্না অৰাবা অমসু ওইরে। মরম অসিনা ঐখোয়গী তুংগীদমক্তা খনবীদুনা লৈঙাক্লা ঐখোয়বু শাফগদবা অমসুং তংদু লৈতানা হিংগদবা পূন্সি হায়বদু অমুক্তং ফংহনবীয়ু হায়না থম্মোয় শোক্লা ফোঙদোরকখি।

ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH COME AND JOIN NOW

SPECIAL CRASH COURSE
FOR THE FORTHCOMING
MPSC CIVIL SERVICE (MAINS) EXAM 2022

EVENING BATCH: Class starts 10-06-2024 | Class Timing: 4.30pm-7.30pm
MORNING BATCH: Class starts 05-06-2024 | Class Timing: 6.30am-9.30am

MPSC/UPSC CIVIL SERVICES EXAM
GENERAL STUDIES (PRELIMS)
■ CLASS STARS: 14-06-2024 ■ TIME: 3:00 PM - 5.30PM

GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
Specially for class XII passed and B.A / B.Sc Students preparing for Banking and SSC Exams
■ CLASS STARTS Date: 14-06-2024 Time: 6.30AM - 9.00AM

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
Website: www.proactiveacademy.in
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL ✆: 9206319209

HL-B/8849/13/6-12/7

## নম্বোল লাংপোকতা দুকান মরি ...

*লমায় ১গী মখা...* নোংথোম্বম অনিলনা পূন্না ফম্মিন্নবা ফিরোল য়োনবা অমদি সনা শাবগী দুকান অমগনি হায়রি। অদুগা মৈ চাক্লকপদগী কলহৌদুনা তুম্না চাকখিদ্রবা দুকানশিং অদুনা পাওনম সোমোকান্তগী রং য়োনবা দুকান অমদি ওইনাম ইঙোগী চিক্কন সেন্টরনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা নম্বোল ফায়র সব ষ্টেসনগী মীওইশিং লাক্তুনা মৈ মুথৎনবা হোৎনখিবগা লোয়নদা অরাম্বাই তেঙ্গোল নম্বোল য়ুনিট -২৪গী মায়কৈদগীসু মৈ কনবদা মতেং পাংখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লাংপোক্কী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা ঙরাংগী মৈ চাকখিবা অদু করিগুম্বা নম্বোল ফায়র সব ষ্টেসন নক্লা লৈরমদ্রবদি অমসুং মতম চানা লাক্লমদ্রবদি থংননা লৈবা য়ুমশিংসু মৈ চাক্লম্বা য়াই হায়রি।

## গভর্ণরনা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু ...

*লমায় ১গী মখা...* খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু পুথোক্তুনা খন্নখি হায়রি।

প্রসিদেন্টগা উনবদা গভর্ণরগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্লা ঈচাও মায়োক্লখিবা মীওইশিংগীদমক লৌখৎখিবা রিলিফ অমসুং রেস্ক্যুগী থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখি। হায়রিবা থবকশিং অসি মণিপুর অমসুং সেন্টরগী তোঙান তোঙানবা এজেন্সীশিংনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি হায়খি। অদুগা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মীওইশিংবু মখোয় মখোয়গী মফমশিংদা অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহনবা ঙম্নবগীদমক খুদক্তা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎহনবীনবসু হায়জখি। রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংগীদমক শেলগী তেংবাঙশিং পীবিনবসু হায়জখি হায়রি।

অমরোমদা, গভর্ণরনা ঙসি প্রসিদেন্টগা উনখিবা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী ৰাশক লৌবগী থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোকখিবগীদক্তসু প্রসিদেন্টবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদবা কনভোকেসনগী থৌরম অমদা শরুক য়াবীনবসু প্রসিদেন্টদা হায়জরমখি হায়রি।

প্রসিদেন্ট খক্তা নত্তনা গভর্ণরনা অমুক্কসু য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরক্লবী নির্মলা সিথারমনগসু রাষ্ট্রপতি ভবনদা উনখিবগা লোয়নদা মণিপুরদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরবা মীওইশিংগীদমক শেলগী তেংবাঙ পীবীনবা হায়জখি।

প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী গভর্ণরদা পাংবা য়াবা মতেং পূম্নমক পাংগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোরকখি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী লাননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা ওইহল্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদসু গভর্ণরনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনদুনা খন্ন-নৈনখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা মতৌ করম্না মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লক্কদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি। অদুগা মণিপুরদা ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভমসু খন্নখি হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতা পাঙথোকখিবা অৰাংবা থাক্কী মীফম অদুনা হৌখিবা চহী অমা হেনবগী মতমদা মণিপুরদা থোরকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখি।

পনবা য়াবদি, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা তোঙান তোঙানবা এটেকশিংদগী মফম অদুদা ওইহল্লকখিবা ফীভমশিংগী মতাংদসু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা রিভিয়ু মীটিং অমা ঙসি পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল, লেফটিনেন্ট গভর্ণর মনোজ সিনহা, দিফেন্স ষ্টাফকী মকোক থোংবা চীফশিং শরুক য়াখিবনি।

মীফম অদুনা জম্মু কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়কৈদগী এরিয়া দোমিনেসন প্লানগী খূত্থাংদা ওইরিবা ফীভম অদু লাকশিন্নবা হোৎনবা অমসুং জম্মু দিভিজনদা টেরর প্লানশিং মায়থীহন্নবা হোৎনবরোমদা পান্দম থমদুনা মসিগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিংগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবনি।

## গভর্ণরনা ইদ-উল-জুহাগী ...

*লমায় ১গী মখা...* মরক্তা নুংশি চান্নবা অমসুং অফবা পূক্নিং ৰাখল খনবা হেনগৎহল্লি হায়রি।

শেংলবা কুম্মৈ অসি লাকপদা ঐখোয় পূম্নমক্লা খেন্নবা পূম্নমক কাউথোক্তুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা ওইরসনু হায়রি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননসু মীওইবা খুন্নাইগীদমক প্রোফেট ইব্রাহিমনা কথোকখিববু নীংশিংলদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ-উল-জুহা কুম্মৈগী মাঙওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ঙসিমক মণিপুরনা তোখাই তানীংবা ফোর্সশিং মায়োক্লরিবগা লোয়নদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি অমসুং চহী কয়াদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লিবশিংবু থুগাইদুনা হোৎনরক্লিবা অসিগা অখন্নবা মরী লৈনদুনা অপীকপা ৰাখল্লোনশিং থাদোক্লন্দুনা কুম্মৈ অসিনা কথোকপগী থৌনা হেন্না লৈহনবা ওইরসনু হায়রি।

কুম্মৈ অসিনা মণিপুরবু ঈং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইহনবগা লোয়নদা মীয়াম্বু অমত্তা ওইমিন্নবদা মতেং পাংলসনু হায়রি।

পাৱরগ্রিদ
POWERGRID

নোটিস

১. প্রোজেক্ট- ‘‘ট্রান্সমিসন সিষ্টম ফোর নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন ষ্ট্রেঙথনিং স্কিম-৩’’ গী মখাদা ট্রান্সমিসন এসেটকীদমক প্রপোজদ্ দি ও সী ও টু ৩১-৩-২০২৪ দিটর্মিনেসনগীদমক রেগ্যুলেসন-৮৬ ওফ সী ঈ আর সী (কন্দক্ট ওফ বিজিনেস) রেগ্যুলেসন্স’ ১৯৯৯ অমসুং সী ঈ আর সী (টর্মস এন্দ কন্দিসন্স ওফ টরিফ) রেগ্যুলেসন্স’ ২০১৯গী মখাদা এপ্রুভ তৌরে।

২. মথক্তা পল্লিবা ট্রান্সমিসন সিষ্টম অসিগী বেনিফিসরিশিংদি : (এ) গভর্ণমেন্ট ওফ অরুনাচল প্রদেশ (বি) অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (সী) মণিপুর ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (দি) মেঘালয়া ইনর্জি কম্পনি লিমিটেদ (ঈ) পৱার এন্দ ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট ওফ মিজোরাম (এফ) দিপার্টমেন্ট ওফ পৱার গভর্ণমেন্ট ওফ নাগালেন্দ (জি) ত্রিপুরা ষ্টেট ইলেক্ট্রিসিটি বোর্দ

৩. টরিফকী অকূপ্পা ৱারোলশিং

| এসেটকী মিং | এসেট-১ |
|---|---|
| সেদ্যুল দি ও সী ও (এফ আর) | ২৩.১২.২০১৭ |
| দি ও সী ও (একচুএল) | ১৬.১২.২০২৩ |
| ইষ্টিমেটেদ কমপ্লিসন কোষ্ট **(রুপিজ ইন লাখস)** | ৬১৩১.৩৬ |
| চহী ২০১৯-২০২৪গী টরিফ **(রুপিজ ইন লাখস)** | |
| ২০১৯-২০ | - |
| ২০২০-২১ | - |
| ২০২১-২২ | - |
| ২০২২-২৩ | - |
| ২০২৩-২৪ | ৩১৩.২৭ |

৪. দিটর্মিনেসন ওফ টরিফকী এপ্লিকেসন কোপি অমা এপ্লিকান্টগী ৱেবসাইট www.powergird.in. দা পোষ্ট তৌরে।

৫. বেনিফিসরি য়াওনা কনাগুম্বা মীওই অমনা এপ্লিকেসনদা য়াওবা টরিফকী দিটর্মিনেসনগী প্রপোজেলদা সজেসন নৎত্রগা ওবজেক্সনশিং পীনীংলবদি সেক্রেটরি, সেন্ট্রেল ইলেক্ট্রিসিটি রিগ্যুলরিটি কম্মিসন, ৩শুবা অমসুং ৪শুবা ফ্লোর, চন্দ্রলোক বিল্ডিং, জনপথ, ন্যু দেল্লী -১১০০০১ (নৎত্রগা কম্মিসনগী ওফিস লৈবা এদ্রেসশিংদা) নোটিস অসি ফোঙবা নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা মসিগী কোর্পোরেট ওফিসকী এদ্রেসতা এপ্লিকান্ট কোপি অমগা লোয়নদা পীশিল্লক্কদবনি।

মফম : গুরুগ্রাম
তারিখ : ১১.০৬.২০২৪

Sd/-
General Manager (Commercial)

পৱার গ্রিদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ
(এ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এন্টরপ্রাইজ)
রেজিষ্টর্দ ওফিস : বি-৯, কুটব ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া, কাটৱারিয়া সরাই, ন্যু দেল্লী - ১১০ ০১৬
কোর্পোরেট ওফিস : সাওদামিনি, প্লোট নম্বর ২, সেক্টর-২৯, গুরুগ্রাম, হরয়ানা - ১২২ ০০১
Website: www.powergird.in CIN : L40101DL1989GOI038121
এ মহারত্না পি এস য়ু

PG/CC/Notice-6/Advt-13/2024-25/INVICTA
HL-B/8863/17